# এদিটোরিয়েল

ইম্ফল, পোইনুগী ১৬ নি পানবা, ঈরাই, দিসেম্বর ৫, ২০২৫ ইং

## ওফিসিয়েলশিং ঙকচাও থেক্লকপা

### একজিক্যুটিভকী থৌদাং লৌরিবশিং পব্লিক সার্ভেন্টনি হায়বা কাউহন্নিংদে

ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসি অসি য়ুম্বী মখোং ৩না পুই। য়ুম্বী মখোং ৩ হায়বদি লেজিসলেচর, একজিক্যুটিভ অমসুং জুদিসিয়ারি হায়বসিনি। য়ুম্বী মখোং ৩ অসি মৈতৈগীদা হায়রগদি মঙাং, লুৱাং, খুমন গুরু ৩গুম্বনি। মসিনা হেন্না মরু ওই নৎত্রগা মহাক্লা হেন্না চাউই হায়বা অমত্তা হায়বা ঙমদে। মখোয় মখোয়গী তোখায় তোখায়বা মথৌদাংশিং লৈ অমসুং মখোয় ৩ মকসি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক্তা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসননা মতিক ময়াই পীখিবনি। অফবা লৈঙাক নৎত্রগা দিমোক্রেসিবু মপাঙ্গল কলহন্নিংবা কাঙবুনা য়ুম্বী মখোং ৩ অসি মাগী মাগী মথৌ চপ চানা তৌহন্নবা হোৎনরগা লাকই। অদুম ওইনমক লৈবাক অসিদা জুদিসিয়ারিগা লেজিসলেচরগগী মরক্তা হেক হেক য়েৎশিন্নবা নৎত্রগা নুংঙাইনদবা থৌদোক থোকখিদবা নত্তে। কৈশাভ সিংহ (১৯৬৪) প্রিভিলেজ হায়বা অমা ঙসিসু কাউনদ্রি। উট্টর প্রদেশ লেজিসলেচর এসেমব্লিদা এম এল এ অমবু করেম কথায়নবা ৱাফম ফোঙদোকপা চেরোল অমা চাইরকখি। অদগুম্বা থৌওং অদু ব্রিচ ওফ প্রিভিলেজনি হায়রদুনা কৈশাভ সিংহবু ফাজিনখি অমসুং নুমিৎ ৭নি কৈশুমশঙদা থমজিনখি। মহাকপু ফাজিনখিবা অদুগী মায়োক্তা এল্লাহবাদ হায় কোর্টতা হেভিয়স কোর্পর অমা ফাইল তৌখি। দিভিজন বেঞ্চনা মহাক্কী ৱারোল তারবা তুংদা বেল পীখি। মদুনা মরম ওইরগা হাউসনা অমুক জজ ২ অদুদা য়ুপি এসেমব্লিনা য়াম্না শাওখি। প্রিভিলেজ হায়বসি এম এল এশিং খক্তদা পীবা, হাউস খক্তদা কন্সটিট্যুসননা পীবা পৱারনি। পৱার অসিদা কোর্টনা খুৎ থিংজিনবা য়াদে হায়দুনা জজ২, অদুগা কৈশাভশিংগী উকিলদুগা ফাননবা ৱারেন্ট ইশু তৌরে। কায়নথংদা লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লে। সুপ্রিম কোর্টনসু লেজিসলেটিভ প্রিভিলেজসি কন্সটিট্যুসনগী মথক্তা লৈতে হায়না ৱায়েল পীরে। মতমদুদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা লেজিসলেচরগী মকোক অমসুং জুদিসিয়ারিগী মকোকশিং পুন্না কৌরগা মখোয় অনিগী খোঙফম অদু হন্দোক্লহনখি। মসিনা তাক্লিবদি জুদিসিয়ারিগা একজিক্যুটিভকা নৎত্রগা লেজিসলেচরগা মাগী মাগী তোখায়নবা মথৌশিংদা য়েৎশিন্নবা য়াদে হায়বনি। অফাওবা লান্মীগী মকোক ফাওবা লেজিসলেটিভ পৱারনা মঙক লৈখায়খিবগী থৌদোক মণিপুরদা থোকখ্রবনি। হায় কোর্টকী জজ অমগী মথক্তা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী প্রিভিলেজ মোসন লৌখৎলকপদগী কন্সটিট্যুসনগী ওইবা চরাংনবা অমসু থোকখিবা লৈখ্রবনি। তৌবদদি লেজিসলেচরশিংগী মপাল নাইদ্রবা প্রিভিলেজ অসিনা মীওইবগী ফংফম থোকপশিং অদুদি মৎতনবা হোৎনগদবনি।

মণিপুর সস্পেন্দেদ এনিমেসনগী মখাদা লৈরি। সস্পেন্দেদ এনিমেসন থম্লবনিনা মণিপুর লৈঙাক প্রসিদেন্টকী লৈঙাক মখাদা লৈখ্রবনি। অদুবু কন্সটিট্যুসনগী কাঙলোন মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট হায়বসি অকক্লবা থবক থৌরম খক্তমক মহাক্লা পায়বনি। অয়াম্বা থবকশিংদি য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা পুই। অদুগা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টকী ওর্দরশিং অদু গভর্নরগী মিংদা থোকই। শম্লা হায়রবদা মণিপুরগী লৈঙাক অসি সেন্টরদা পাল্লিবা মোদিগী লৈঙাক্লি। লৈঙাক অসি গভর্নরনা চিফ মিনিষ্টরগী মহুৎ শিল্লগা থবক তৌহল্লি। প্রসিদেন্ট রুলগী মতমদা ষ্টেট অদু নিংথিনা লৈঙাকপা নুংঙাইননবা গভর্নরগী এদভাইজর অনি অহুম হাপ্লদুদি হন্দক্কী অসিদদি তৌদ্রে। মরম অদুনা মণিপুরদা লৈঙাক পায়রিবসি গভর্নর, চিফ সেক্রেটরি, সেক্যুরিতি এদভাইজর অমসুং দিজিপি নি। প্রসিদেন্ট রুল অসি থমখ্রবা মতুংদা একজিক্যুটিভকী পৱার পায়রিবা আই এস এস, আই পি এস, এম সি এসনচিংবশিং অসি খঙচাও চাউরকখি। মতম অমদদি মখোয় অয়াম্বা মিনিষ্টরশিংগী এদভাইজতা থবক তৌরম্মী। হৌজিক্তি এদভাইজ তৌরিবা মিনিষ্টরসু লৈত্রে। এম এল এ সু লেজিসলেটিভ পৱার অয়াম্বা সস্পেন্দ তৌখ্রবনিনা লৈঙাকপগী থৌদাং লৌরিবা ওফিসারশিংদি মঙক শাথিনা হাইগৎপা য়াওরে। মসিমক খুরাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, এল সুসিন্দ্রোনা য়াম্না নুংঙাইতনা এম এল এশিংনা তেলিফোন তৌবদা ওফিসিয়েলশিংনা পায়বীদ্রে, পোপুলর গভর্নমেন্ট লাক্লবা মতমদা নখোয় খঙগনি হায়না খুতুম শীংবা লৈখ্রবনি। মহাক্তসু নত্তনা হৌজিক্কি মতম অসিদি একজিক্যুটিভকী থৌদাং লৌরিবা ওফিসারশিংগী মনুংদা খরনা মখোয়গী থৌপাংবা ওইনা লৈরিবা ওফিসিয়েলশিং ফাওবা নৈখায়বীরে, লাক্লবীরে। মিনিষ্টর লৈরিঙৈদা তৌখিবা থবকশিংগী অহোবা থিগৎতুনা ওফিসিয়েল কয়া অৱাবা নংহল্লে। লান নংলবা ষ্টেট অসিদা ওফিসিয়েলশিংনা কয়া য়াম্না চুম্না, শেংনা কয়াম য়াম্না থবক তৌবা ঙমগদগে হায়বদুফাওবা কাওথোকপীখ্রে। শেল থোকপা য়াবা স্কিমশিংগী ইন–চার্জ মখোয়না পায়শিল্লে। অদুগা মখোয়না চুম্না থবক তৌব্রা হায়বদুদি ওইদে। পি আর মনুং অসিদা একজিক্যুটিভকী থাক্তা লৈবা ওফিসিয়েল কয়া শেল পায়খৎনরক্লে। মসিদসু নত্তনা মীয়ামগী ৱাকৎশিং তাননবা মনা পান্দ্রে। মখোয়না তৌনিং তৌনিংবা তৌরে। তৌনিং তৌনিংবা তৌবগী মরুমদা অরানবা ময়াম অমসু তৌরব্রা হায়বগী চিংনবা য়াবা খুদম কয়ামরুম লৈরে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি প্রসিদেন্ট রুল হায়বসি কন্সটিট্যুসননা পীবা পৱারগী মখাদা মীয়ামগী থবক তৌবনি। মীয়ামবু নুংঙাইহনবা হায়বসি একজিক্যুটিভকী থাক্তা লৈরিবা ওফিসারশিংগী তঙাইফদবা থৌদাংনি। মদু নত্তনা অচৌবা ঙানা মচাশিং ফারগা চাবগুম অপীকপা থবক তৌজরিবা ইমপ্লোয়িশিং অমসুং মীয়ামবু নৈখায়বসিদি তোকপা ফৈ। মদু পোপুলর গভর্নমেন্ট অমা লাক্লবা মতমদা ফংগদবা চৈরাক অদুসু নীংশিংঙু হায়জনিংই।

# মতমগী মতুং ইন্না অহোংবা লাকপা

মমাঙৈদা অঙাং পোকপদা মাইবী, মায়োক্লবী অমদি মাইবনা পোক্লরম্মী। লোয়ননা নাওফমসু চফু মচা অমদা হাপ্লগা য়ুমগী মখাদা ফুন্নরম্মী। হৌজিক্তি ডাক্তর অমদি নর্সনা পোক্লরে। ইপান থাবসু মমাঙৈদদি য়াংকোক্তা পোৎলম চৈরম হাপ্লগা মাইবীনা লাইরোন শোল্লগা তৌনরম্মী। হৌজিক্তি ব্রাহ্মন নত্রগা পিবানা অয়াম্বা তৌনরে। নুংঙাই য়াইফবা ইমুংনা মচা নুপা পোক্লবদি লিলা তৌনরম্মী। হৌজিক্তি অয়াম্বা তৌনদরে। মমাঙৈদা নুপী পোক্লবদি লিলা তৌনরম্মী। হৌজিক্তি অয়াম্বা তৌনদরে। মমাঙৈদা নুপী কোইবদি, সনথিয়া মতুংদা মমান্নবা অমা নত্রগা অনী য়াওরগা শুমাঙ মচিন্দা খোঙউপ থনল্লগা মাঙ্গোল মচিনদা ফক থারম্বা অদুদা ফন্নগা নুপী অদুগা ৱারী ৱাতাই শান্নরগা কোইনরম্মী। হৌজিক্তি ফোন্দা কোইনরে। মমাঙৈদা চহী ১২, ১৩ দা য়ুম অয়াম্বা পান্নরম্মী, অঙাং ১০গী মথক্তা পোক্লবদি খুকন পাঙ্গনবা ওইনা খন্নরম্মী। হৌজিক্তি চহী ৩০, ৪০ গী মথক্তা অয়াম্বা য়ুম পান্নরে, অঙাংসু অনী অহুমদা লোইশিন্নরে। মমাঙৈদা অঙাংগী, যজ্ঞা পংতৌ, তৌনরমদে, হৌজিক্তি অয়াম্বা যজ্ঞা তৌনরে। মমাঙৈদা বার্থ দে কয়া তৌনরমদে। হৌজিক্তি অয়াম্বা তৌনরে। মমাঙৈদা লুহোংবা থিনবদা দোলাইদা অমদি নুংঙাইবা ইমুংনা শমুদা থিন্নরম্মী। হৌজিক্তি গারিনা লৈতেং ওইদুনা মফে, অতাওবা, য়েরুম অসিনচিংবা কয়া য়াওরগা পুনরক্লে। মমাঙৈদা লুহোংবসু নুপানা অয়াম্বা শক্লগা, কৈন্যা শেন্নবসু নুপানা শেন্নরম্মী। হৌজিক্তি নুপীনা শক্লগা নুপীনা কৈন্যা শেন্নরে। লৈ কোইবদা পৈশা ৱাই চাইবগুন্না চাইনরে। মমাঙৈদা লুহোংবা থিল্লকপদা, পনা তংগ্রা অমগা কবোক খোয়দুম অমগনা লোইশিন্নরম্মী। হৌজিক্তি প্লেটতা অথোংবা অতাওবা য়াওরগা পীনরে। মমাঙৈদা লুহোংবা, থাবল চোংবা, লিলা শান্নবদা হাপ্লেন, পেট্রোংমেচ থাল্লগা চখরম্মী। হৌজিক্তি জেনরেটর, ফিজং খল্লগা চখনরে। লুহোংবদা মমাঙৈদা থৌদোক, দেব–কর্ম্ম, লুহোং খোংদোংবদা ভাবক্তা পৈশা থানরমদে, ভাবোক্কী মমায় তাবগী পনা তংগ্রা অমা, প্লেটতা বেরি খরা চৎনরম্মী। হৌজিক্তি ভাবোক মমায় তাবগী খুদৈ নত্রগা তাৱেল নত্রগা ইনফিগুম্বনা অঙম্বা পৈশা হাপ্লগা মমায় তান্নরে। মমাঙৈদা মান্দোপ মপু অয়াম্বা ফন্নরম্মী। ভাবোক অহলশিংনা রাগ তারকপদা অমদি মেন থারকপদা মমিৎতা মপী শিন্থদুনা খুরুম্নরম্মী। হৌজিক্তি পি শিন্থবা খরা নত্তনা অয়াম্বদি পৈশা থারকপরা হায়দুনা য়েংদুনা লৈনরে। মমাঙৈদদি ভাবোক হায়বসি খ্বাইদগী অহলশিংনা ফন্নরম্মী। হৌজিক্তি নহাশিংনা নোংমদি শোয়দনা ফমগদবা লৈরবা, ঙাইঙমদনা ঙন্তানা লাক্লগা ফম্বসু য়াওরক্লে, পৈশাগীদমক খল্লগা।

মমাঙৈদা লাইরিক অহানবা তম্নরকপদা, লিমোনগী বোরা অমা, নুংগি সিলেট অমা, কাংগ্রু অমা, মপি লাইরিক অমা খোংনা চৎতুনা, উনা শাবা, নোং য়ুবা, ফকলাং অহোবা অমদা বোরা থাদুনা লাইরিক তম্নরম্মী, লাইরবা অয়াম্বা। মতম অদুদা, তম্বীরকপা ওঝা লম্বীদা উবদা খুরুম্নরম্মী। হৌজিক্তি খোংনা চৎপগী মহুৎতা মখোং লৈবাক তাদনা গারিনা চৎনরে, ওঝাসু খুরুম্নদ্রে। মমাঙৈদা লৈশাবীনা শাই কক্লরম্মী, লুহোংবদা কজেংলৈ শিন্নরম্মী। খোঙ্গ্রাও শেৎনরমদে। হৌজিক্তি পুম্নমক তোকখ্রে। মমাঙৈদা লৈশাবীনা খোইখা শেৎনরম্মী, হৌজিক্তি মৌ অয়াম্বা, অহল অয়াম্বসু খোইখাদা শেৎনরে। মমাঙৈদা লৈকায়গী লম্পাক্তা, মান্দোপতা, গৌর লিলা, ষণজেম্বা, শঙ্গোইদা, পেনা, খোংজোম পর্ব্ব, লাইরিক তাবা, বাশোক, খুবাক ঈশৈ, অসিনচিংবা কয়া তৌনরম্মী। হৌজিক্তি কয়া তৌনদ্রে। মমাঙৈদা অশিবা পোৎলোইফমদা, য়ু য়াওনরমদে। হৌজিক্তি য়াওদবা য়াদবগুম য়ু য়াওনরে। মমাঙৈদা শোরাৎ লোইদ্রিবা ফাওবা লাইরিক তৌনরম্মী। হৌজিক্তি অয়াম্বা লাইরিক নোংমা নিনি চখরগা তোক্লরে। মমাঙৈদা অশিবগী ঙা তঙবা অসি কর্ম্ম নোঙাল্লগা পাঙথোক্লরম্মী। হৌজিক্তি কর্ম্ম নুমিৎকী নুমিদাংদা অয়াম্বনা পাঙথোক্লরে, মমাঙৈদি উৎসব, চাক্কৌবদা মথেল অনী অহুম্না লোইশিল্লম্মী। উতি, চম্ফুৎ, ইরোম্বা, শগোল হৱাইনা চাক তাক্লরম্মী। হৌজিক্তি মথেল কুনগী মথক্তা চখনরে। সেবাসু অনী অহুমনা ঙম্লম্বদু সেবারি তরাগী মথক্তা সেবা তৌনরে। মমাঙৈদা উৎসব কৎপদা, লৈকায়গী অহল লমশিংনা খুজাই পুনরক্লগা চাবা লোইরগা চাক্লুক্তা খুৎ হামজিল্লমদে, হৌজিক্তি, চাবা লোইরগা ঈশিং বট্টলনা, পুখমদা, মকোক ফম্বা ফাওবা য়াওনা খুৎ হামজিন্নরে। মমাঙৈদা উৎসব কৎপদা মাগী মাগী জগাদা কৎনরম্মী। হৌজিক্তি মানা মানা পামজবা ধর্ম্মগী মতুং ইন্না, কোনুংদা, নরসিং মান্দোপতা, রামজি প্রভুদা, নিত্যানন্দ, হয়িং খোংবালদা, সনামহি কিয়োংদা, বিজয় গোবিন্দ, নোংমাইজিং, চিংখোংদা, কৈন্যাদা অসিনচিংবা কয়াদা পাঙথোক্লরে। য়ুমদা কৎপা ওইরগসু চাক্লুক ওইনা লৈনরে। মমাঙৈদা লাইরিক তাবদা মাগী মাগী মফমদা, অহল ওইরবা কাঙবুনা, হায়বা থিবা, অনী অদুদা মিৎতা পী তাদুনা কপ্পুনা খুরুম্নরম্মী। হৌজিক্তি কয়া উখিদ্রে। মমাঙৈদা মচা নুপা মঙাগী মৌশিংনা (অনী অহুমদা পোক্লবসু) মকু, মনেমগী চাবা–নংননবা ইঞ্জং থিন্নরম্মী। হৌজিক্তি কয়া চাবা নংনবা তৌনদ্রে। মতম মতমগী মতুং ইন্না।

অরোইবদা ইজরিবা ঐনা উজবদা, লাইনিংথৌ, লৈমরেল খুরুম্বা, থাংজগী সনি খুরুম্বা অসিদি, পুংফম লাইনিং–লাইশোন হৌজিক ফাওবা কায়দ্রবরা খঞ্জে।

–থিংবাইজম ইতোবী সিংহ

# পান্থৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা...

হান্নগী মখাঃ

পান্থৈনা লুচিংবা য়ুএনএলএফকী দিওপি এন্দ ই সেক্রেটরী চরাইরোংবা থোকচোমনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রিবনা,চৎকদবা ঐখোয়গী লম্বী হৈ–শিংনা ৱাখৈনবগী মথৌ তাবা লাক্কদৌরিবা মতমশিংদা য়ুএনএলএফনা চৎনা–কাংলোন নায়বা পোলিটিকেল দাইলোগ অমা জিওআইগা চথরক্কদৌরি। মণিপুরগী মাঙখ্রবা নিংতম্বা হঞ্জিন্দুনা মতিং লৈবা অমসুং মান্নবা খুন্নাইদা য়ুম্ফম থোনবা ইরৈচা খুদিংমক্কী মান্নবা হক ফংমিন্নদুনা ঐখোয়গী তুংলমচৎ লেপকদবনি হায়বা য়ুএনএলএফকী পান্দম অমসুং পল্লুং অসিদি কৈদৌনুংদা মন্তিক্লরোই। পোলিটিকেল দাইলোগ অসি ৱাখল মীৎয়েং শেংনা, মপুং ফানা চখগনি অমসুং আইদিয়া ওফ মণিপুরবু য়ুম্ফম থোনবদা মীৎয়েং থমগনি।

মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা খুন্দামিন্নরিবা য়েলহৌ ফুরুপ খুদিংমক্লা খুন্নাইরোলগী, লৈঙাক্লোনগী, শেন্মীৎলোনগী অমসুং নাৎ–চৎনবীগী চপ চাবা মান্নবা হক ফঙহন্দুনা অমনা অমবু নমথবা য়াওদবা, ওৎপী নৈবিবা য়াওদবা, খেন্নবা থমদবা, মনিং তম্বা লৈবাক অমা শেম্বা হায়বসি লুপকী লৈশেম্লোননি ▪ মণিপুর–ইন্দিয়া অনিগী ইন্টরনেসনেল আর্মস কনফ্লিক্টঃ ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা মণিপুরবু ইন্দিয়ানা নম্লৌ লৌশিনখ্রবা (এনেক্সেসন) তুংদা থোক্লকখিবা ইন্দিয়া–মণিপুরগী মুক্লবা অসি মালেমগী কাঙলোনগী খুৎলায় শীজিন্নদুনা মরোমদোম লেপ্পগী লালহৌ চখবা অমসুং অরানবা কাঙলোন্দা নম্লৌ লৌশিনবগী মায়োক্তা লান্থেংনবকী মতুংদা য়েংগদবনি। মণিপুর অসি মালেমদা পাক শন্না মুখৎলকপা মতম মতুংদা মনিংতম্বা মশাগী মীয়াম্না খঞ্জবা লৈঙাক্লোন লৈজবা অমসুং লৈঙাক লোইশঙ লৈজবা লৈবাক অমা ১৯৪৮তা ওইখি। অদুবু, মণিপুরগী নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিল্লোংদা লাঙ্গোই চল্লবা মতুংদা নম্ফুদা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা খুৎয়েক পীহনখিবা মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট অসিনা, ইন্দিয়ানা য়ুএন চার্তরগী আর্টিকল (২৪)বু থুগায়খি। মণিপুরগী মর্জর এগ্রিমেন্ট অসিনা ইন্দিয়ানা য়ুএন চার্তরগী আর্টিকল ২ (৪)বু থুগায়খি। মণিপুর মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা তৌখিবা এগ্রিমেন্ট অসিগী মতুংদা ইন্দিয়াগী লান্মীনা লাঙ্গোই চনশিন্দুনা মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগী চুপ্পি পায়শিনখিবা অসি মালেমগী কাঙলোনগী ৱাংমদা মণিপুরবু নম্ফুদা লৌশিন্দুনা থম্বনি হায়বগী ৱাফমশিং ময়েক লানা থোরক্লি।

১৯৪৯গী জেনেভা কনভেন্সন মরিমক্তা য়াওবা কম্মন আর্টিকল ২গী মতুং ইন্না মণিপুরদা ১৯৬০গী পরিংদগী থোকখিবা নিংতম্বগী লালহৌ অসি ইন্টরনেসনেল আর্ম কনফ্লিক্ট (আইএসি)নি। জেনেভা কনভেন্সন মরি অসিগী এদিস্নেল প্রোতোকোল ১ (১৯৭৭)গী আর্টিকল ১ (৪) না করিগুম্বা ফুরুপ মীয়াম অমনা লোয়লমগী অমসুং রেসিজমগী মায়োক্তা মরোমদোম নম্লৌ লৌশিনখিবগী থৌওংশিং অমসুং মদুদগী ঙসি ফাওবা মদুগী মায়োক্তা মণিপুরদা খুৎলায় পায়বা নিংতম লালহৌ অমা চখরিবা মওংশিং অসি কুপ্পা য়েংলুরগদি আইএসিগী পরিংনি হায়বদা অরানবা অমত্তা লৈতে। মালেমগী মীওইবগী হক্কী কাঙলোন্নসু পরিং অমদি পীরি। ইন্দিয়ানা ঙাক্তুনা চখবা য়াদ্রবা, ইন্টরনেসনেল কনভিনেন্ট ওন সিভিল এন্দ পোলিটিকেল রাইত (আইসিসিপিআর, ১৯৬৬) অসিনা মণিপুরদা তোয়না থোক্লিবা থৌদোকশিং–মরম চাদনা ফাজিন্দুনা থম্বা, লোগী ৱাংমদা মরম লৈতনা হাৎপা অমসুং শক–চুগী খেন্নবা থমদুনা ওৎ নৈবা অসি য়াদে। মালেমগী চৎনরিবা লানগী কাঙলোন অমসুং মীওইবগী হক্কী লোশিং অসি মালেমগী ওইবা মুক্লবা থোকপা মতমদা চৎনবা চুম্মী হায়বসি ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসনা পীখিবা নুক্লিয়র ৱিপন এদভাইজরি ওপিনিয়ন (১৯৬৬) অমসুং ৱাল ওপিনিয়ন (২০০৪)গী ৱায়েলশিংদা হায়রি। হায়রিবা ইন্টরনেসনেল লোশিং অসি ইন্দিয়ানা কয়াম ঙাক্তুনা চৎলি হায়বা ৱাফমদি ঐখোয়গী মীয়াম্না হেন্না খঙলবনি।

করিগুম্বদা, ১৯৪৯গী মণিপুর মর্জর এগ্রিমেন্ট অসি তশেংনা চৎনবা য়াবরা হায়বগী ৱাহংসু চোংথোরকপদা থোরকপা পাউখুমদি, ভিয়েন্না কনভেন্সন ওন দি লো ওফ ত্রিটিস (১৯৬৯) গী আর্টিকলশিং (৫১–৫২) না নম্ফুদা নত্রগা লৈবাক অমগী মীয়ামগী মীহুৎশিংগী অয়াবা য়াওদনা শেমখিবা য়ানবা (ত্রিটি) অদু হৌবদগী অরানবনি হায়রি। ১৯৬৬কী কনভেন্সনিং অসি ভিয়েন্না কনভেন্সনী মমাংদা শেমখ্রবসু আইসিজেনা নমিবিয়া (১৯৭১) অসুং ৱেষ্টর্ন সহারা (১৯৭৫)গী ৱাপমদা পীখিবা ৱায়েলশিংনা মরোমদোম লেপচবগী কাঙলোন অসি মালেমগী লৈবাক অমত্তনা থুগায়বা ঙমদ্রবা কাঙলোন্নি হায়রি। মখা তানা আইসিজেগী ৱায়েলশিং অসিনা হায়রি মদুনি অশেংবা মীয়ামগী মরোমদোম লেপচনবগী অয়াবা য়াওদনা লৈবাক অমবু নম্লৌ লৌশিনবা নত্রগা লৈবাক অমগী লমখৈদা অহোংবা পীবা য়াদে হায়বসিনি। মণিপুর মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা ইন্দিয়ানা মণিপুরবু নম্লৌ লৌশিনখিবা অদু পরিং অসিদা য়েংফম থোকই। মরম অদুনা মণিপুরদা থোক্লিবা খুৎলায় পায়বগী নিংতম লাঞ্জং অসি ইচম চম্বা ইন্দিয়াগী মনুংগী ৱাথোক নত্তে, মসিদি ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রিবা ইন্দিয়ানা মণিপুরবু অরানবা মওংদা নম্ফুদা লৌশিনখিবা অদুদগী থোক্লকপা মালেমগী ওইবা মুক্লবা–ইন্টরনেসনেল আর্মদ কনফ্লিক্ট–অমনি। মুক্লবা অসিদা আইঐচএলগী পরিং পুন্নমক, আইসিজেনা ৱায়েলখিবা ৱাফমশিং, য়ুএন চার্তরগী নোর্ম্সশিং অমদি হ্যুমেন রাইটস চৎনা কাঙলোনশিং লোয়না ইনগদবনি। অসুন্না মালেমগী চৎনরিবা লোগী চৎনা কাঙলোন্দগী মণিপুরনা মরোমদোম লেপচনবা হোৎনরিবা অসি ইন্টরনেসনেল কম্মুনিতিনসু য়েংবা চঙই অমসুং মসিদা নত্তনা ইন্দিয়ানা আইএসি অসিদা কদাইফাওবা অচুম্বা তৌই হায়বদুসু মণিপুর মীয়াম্না শেন্নবীগদবনি। (মথং মথং)


क्षेत्रीय आयुर्विज्ञान संस्थान, इंफाल: मणिपुर
REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES, IMPHAL, MANIPUR
(स्वास्थ्य और परिवार कल्याण मंत्रालय,भारत सरकार के अंतर्गत एक स्वायत्त संस्थान)
(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)
Phone : 0385-2414720, 0385-2414750
e-mail : rims@rims.edu.in
website : www.rims.edu.in

**ADVERTISMENT**

Imphal, the 5th December, 2025

**No. GEN/SR/TENU/55/2025-EST Sec:** A "Walk-in-Interview" for selection of suitable persons for the posts of Senior Residents (Tenure and Contract basis) and Lecturer in Sociology (Contract basis) in various Departments and College of Nursing of RIMS, Imphal, will be held on **Wednesday, the 17th December, 2025 at 11 a.m.** in the Conference Room of Director, RIMS, Imphal.

2.The details of the posts are available on the RIMS, Imphal website at www.rims.edu.in

Sd/-
Deputy Director (Admn.)
Regional Institute of Medical Sciences, Imphal

WK/28/5 Dec



## WAYEL SUDOKU

*Puzzle-135*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 5 | | |
| | | | | | | | | 3 |
| 9 | | | 6 | 4 | | | | |
| | | 8 | | 7 | | | | |
| | | 3 | | | | | | 2 |
| | | | | 6 | | | 4 | |
| 6 | 7 | | | | | | 9 | |
| | | | | | 5 | 8 | | |
| 4 | | | | | | | | |

## WAYEL CROSSWORD

*Crossword-155*



**ACROSS**

1 Madman (7)
4 Take the place of (9)
8 Long pillow (7)
9 Orange-yellow pigment (5)
10 Filth (5)
11 Chevrons (7)
16 Rubbish container (7)
17 Agricultural abode (9)
18 Mayhem (5)
20 Arctic island, capital Nuuk (9)
22 Set down (3)
24 Listen to (4)
26 Written reminder (10)
29 Encourage (3,2)
30 Attempt (colloq.) (4)
32 Air duct (4)
33 Abundant (5)
34 Trainer (10)
37 Margarita garnish (4)
39 Mongrel (3)
40 Tolerate (3,2,4)
42 Bird of prey (5)
46 French eatery (9)
47 Word with the same spelling (7)
49 Goddess of retribution (7)
53 Contributor (5)
54 Lose consciousness (5)
55 Violent attack (7)
56 Malicious mischief (9)
57 Marital split (7)

**DOWN**

1 Soft drink (8)
2 Ghana's capital (5)
3 Bread cubes (8)
4 Japanese fish dish (5)
5 Portion (5)
6 Shaven (5)
7 Lengthened (8)
12 Area (5)
13 College lesson (7)
14 Eritrea's capital (6)
15 Spun (6)
19 Wooden-soled shoes (5)
20 Indoor athlete (7)
21 Vehicle's framework (7)
23 Left out (7)
25 Refute (5)
27 Ruler (7)
28 Belly button (5)
31 Pardon (5)
35 Shriek (6)
36 Indefinitely large number (7)
38 Not by the sea (6)
41 Regional speech (5)
43 Shortened, condensed (8)
44 Excited (8)
45 Remove a limb (8)
48 Sydney beach (5)
50 Happen next (5)
51 Glorify (5)
52 Truck's payload (5)

*Crossword-155*



*Puzzle-135*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 3 | 6 | 8 | 2 | 9 | 5 | 1 | 4 |
| 8 | 2 | 4 | 1 | 5 | 7 | 9 | 6 | 3 |
| 9 | 5 | 1 | 6 | 4 | 3 | 2 | 8 | 7 |
| 2 | 4 | 8 | 5 | 7 | 1 | 6 | 3 | 9 |
| 1 | 6 | 3 | 9 | 8 | 4 | 7 | 5 | 2 |
| 5 | 9 | 7 | 3 | 6 | 2 | 1 | 4 | 8 |
| 6 | 7 | 5 | 2 | 3 | 8 | 4 | 9 | 1 |
| 3 | 1 | 2 | 4 | 9 | 5 | 8 | 7 | 6 |
| 4 | 8 | 9 | 7 | 1 | 6 | 3 | 2 | 5 |

Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733